মণিপুরগী কাঙলূপকী লান অমসুং ১৮শুবা লোক সভা মীখল

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াট্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com

মতম্না কনাবুসু ঙাইদে। অসুম হৌখিবনা চৎলিবা ১৭শুবা লোক সভাগী মতম জুন ১৬, ২০২৪দা লোইরগনি। ১৮-শুবা লোক সভা মীখল এপ্রিল/মেদা তৌরগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। এম পি ৫৪৩ খন্ননবা ফেজ নাইনা মীখল তৌগদৌরি। মণিপুরগীসু এম পি ২ লৈবা লোক সভাগী মীখল শোয়দনা পাঙথোক্কনি। ঈরাং লৈরি মীখল তৌগনু হায়বা য়ারোই। ইলেক্সন হায়বসি দেমোক্রেসিগী মচৎনি। মী খরখক্না ভোট থাদরবসু মশীং হেন্না ফংবা মীরেপ অদুনা অদুম কারগদবনি। মতাং অসিদা মণিপুরগী ওইনা নৈনবা য়াবা ৱাফমদি হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা, হাৎন-শুনবা, সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওৎ-মীনৈ, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নেগেটিভ এটিচ্যুদ, মণিপুর লৈঙাক্কী পাংদবা মতৌ অসিদা মীপূম খুদিংমক দবল ইঞ্জিন ওইরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিদা পেন্দবা কয়া লৈরি। এম পি ২ খক্তা লৈবা ওইরবসু পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না মখোয়গী মীরেপ শোয়দনা মায় পাকহন্নীংগনি। ১৭শুবা লোক সভা মীখলদা পি এম য়াওনা মরু ওইবা মীওই কয়ানা ইলেক্সন কেম্প্যেন তৌবা, ভোট খোম্না লাকখিবগুম হন্দক্কী ১৮-শুবা লোক সভা মীখল অসিদা লাক্লি থাজদে। থা ১০ শুরবা কাঙলূপকী লান মীওই ২৪০গী মথক্তা লৈখিদ্রে। ইমা-ইবেল, নহা কয়ানা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়দুনা তূস্ফম চাফম খঙদনা পূন্সি লেল্লি।

নেসনল মীদিয়া চেনেল কয়াদা হৌজিক থোক্লিবা কাঙলূপকী লান অসি কুকিনা মীতৈদা লান তৌবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈরবসু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিগী মরমদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মমিসু তাদে। থোক্লিবা ঈরাং অসিদা ম্যান্মারদগী আইন কায়না চঙশিল্লকপা চিন-কুকিগী খূৎ য়াওই। হৌজিকসু মীতোপ লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। আর্মস অমসুং এম্যুনিসন কয়া সপ্লাই তৌরি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুর অনৌবা গোল্ডন ট্রাইএঙ্গল অমা ওন্থোক্লে হায়বসি খঙনরবা ৱাফম্নি। ইন্দিয়াগী ইন্টরনেল অমসুং এক্সটর্নেল সিক্যুরিটিদা অচৌবা শীংনবা অমনি। মসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তূমিন্না লৈশিনবা হায়বসি ইন্দিয়াগী অরোনবা এজেন্দা করি লৈবগে? ম্যান্মারদা বেজ তৌবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন খরগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) চৎনরি। ঙসিগী কাঙলূপকী লান অসি সূ চৎনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চত্থরকপা লাননি। মরম অসিনা সূ লৌথোক্নবা কয়ারক হন্না তকশিনবা লৈখ্রে। ঙসিসু সূগী য়ান-চে শাংদোক্তনবা ইমা ইবেল, সী এস ও কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌরি। সূগী মরুমদা এ আর অমসুং সেন্ট্রেল পোর্সশিংনা নাকোয়ননা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মীচং চঙলি, মতেং পাংলি হায়বসিদি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। এ আরনা অতম্নুনা ঐখোয়গী ইমা ইবেলশিংদা কা হেনবা থৌওং চত্থদুনা ওৎপা নৈবা কয়া চত্থরি। অদুবু কুকি নুপীশিংনা আইন খূৎতা পায়রগা চত্থবা থৌওং কয়াদদি তূমিন্না লৈশিল্লি। করি অমুক হায়গনি এ আরগী কেস্পর (Casper) গাড়ী ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মমায় লৈদুনা হলহনখিবা ঐখোয়না সোসল মীদিয়াদা উবা ফংখ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী Stubbron ওইবা এটিচ্যুদ অসিদা পি এমনা মণিপুরদা লাক্লগা ভোট খোমগনি হায়বসি থাজবা ৱাৎলি। করিগুম্বা লাকপা থোক্লবসু মণিপুর মীচম মীয়াম্না মরু ওইনা মীতে ফূরুপ্পা শোয়দনা ৱারৌগনি। য়েংনীংলোই। তনীংলোই। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক অসিদা মখোয়গী মীরেপ মায় পাক্নবা অকনবা য়াথং পীরকপা য়াই। মসিগীদমক্তা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা এসেমব্লি সেগমেন্টদগী কারক্লিবা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংদা অকনবা প্রেসর পীরকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি।

লোক সভা মীখল অসি পাঙথোকপা মতমদা মোদি লৈঙাকপু য়ানীংবা অমসুং য়ানীংদবা শোয়দনা লৈগনি। আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদদি কাঙলূপ অনীগী মীরেপ শোয়দনা থোরক্কনি। কুকি ইনপি মণিপুর অমসুং য়ু এন সীগী তোঙান তোঙানবা মীরেপ। খন্নবা য়াবা ৱাফমদি আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা য়াওরিবা তম্পাক্কী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৮ অসিনা বি জে পি মীরেপ সপোর্ট তৌনীংগদ্রা? কুকিশিংগী ওইনদি মীরেপ অমদগী হেন্না থোরক্কদবা মান্দে। বি জে পিগী মীরেপ অসি কুকিশিংগী মরক্তগী ওইগনি। অদুবু নাগা মনুংগী ওইনা য়েংবদা মীরেপ অনী নৎত্রগা অনীদগী হেন্না চোংথোকহন্দুনা বি জে পিগী মীরেপ মায় পাক্নবা লাল্লোং শোয়দনা তৌরক্কনি। ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদসু চপ মান্নবা ইলেক্সনগী লাল্লোং কয়া উবা ফংগনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা মিনিষ্টির, এম এল এ খুদিংমক অমুক হন্না মীখলদা মায় পাকপা পামগনি। মিনিষ্টর ওইনীংগনি। মরম অসিনা বি জে পিগী ফেব্বরদা ভোট শোয়দনা খোমগনি। মসিনা ফেব্রুৱারী/মার্চ ২০২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট জেনরেল ইলেক্সনগী অচৌবা চাংয়েং অমা ওইগদৌরিবনি। মসিগীদমক হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্না ভোটর কয়াগী পূক্নিং চিংশিন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপা য়াই।

অহানবদা নুপীশিংগী ওইবা লৈকায় লৈকায়গী গ্রুপ মচা মচা শেমগনি। মখোয়গী অনীংবা অপান্বশিং অদু খঙদোক্তুনা খুদোংচাবা পীগনি। নুপীশিংবু মীখলদা শরুক য়ানবা হোৎনরক্কনি। নহা ওইরিবা অমসুং থবক থিরিবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংবু ফাজিনবা য়ানবা মীখল ময়াদা জোব এদভর্টিজমেন্ট কয়া তৌরকপা য়াই। লৈঙাক্কী থবক থিরিবা মীওই খুদিংমক এপ্লাই তৌবগী খুদোংচাবা ফংগনি। মমা-মপা ওইবশিংনা থবক্তবু ফংলবদি খন্দুনা মাগী মাগী এম এল এশিংদা ৱাচৎ ৱানোমগনি। শেল পীশিনগনি। থবক্কী অমসুং পীশিনখিবা শেনফমগী খল্লুরগা ইলেক্সনদা মতেং পাংগনি। কক্কাওনরবা তৌফম খঙদ্রবা নহাশিং, ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা হৈনরবা মীওই কয়াবু চাকথাক তমদুনা ভোট খোমগনি। নোংমগী শূরগা চারা তাল্লিবা মীওই কয়া মীখল ময়াদা পীজ পীথক তৌগনি। পুকচেল চাউবা শাদুনা শেল য়েনগনি। ভোট খোম্নবা হোৎনগনি। ঐখোয়গী লমদম অসিগী ভোটরশিংগী তোঙানবা মাইন্দ সেট (ৱাখল্লোন) অমা লৈজে। মীরেপ ওইখিবা মীওই অদুগী ক্বালিফিকেসন, লৈবাক্কীদমক কখোকপা ঙম্বা, চাওখৎ থৌরাং পায়খৎকদবা, মমা লৈবাকপু নুংশিজবা মীরেপ খনবগী মহুৎ ইমুং মনুং, মরী-মতা, খঙনা চান্নবা, তিন্নবা য়েংলগা ভোট পীগনি। মায় পাক্লবা মতুংদা ওইজ ওইথক ফংগদবা, হায়জরুবদা তবীগদবা মীওই য়েংলগা ভোট থাদগনি। ইমা ইবেল কয়ানা ঈরাং লোইশিনবা ঙমদ্রবদি ইলেক্সন কেম্প্যেন তৌবা য়ারোই হায়বা মখোয়গী ফিরেপ ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ইমা ইবেলশিংগী অপূনবগী ৱাখল্লোন হোংদবা ফৈ। মচেৎ তাবা মওংদা, ওইজবা থিবা মানবা থৌওং জুন ৩০, ২০২৩দা নুপীলান কমপ্লেক্স মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অদুগুম্বা অমুক থোকহন্নীংদে।

অপান্বা মীরেপ, অপান্বা পোলিটিকেল পার্টি খনবা অমসুং ভোট থাদবা হায়বসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদদি তঙাইফদ্রবা ইথৌদাংনি। মীখলদা কনা কনানা মীরেপ ওইগদৌরি। করম্বা পোলিটিকেল পার্টিদা মীখল থেংনগদৌরি। করম্বা এলাইএন্সনা ফংগনি। হৌজিক পাল্লিব লৈঙাক অসিগী মরাইবক করি ওইগনি। তুংলমচৎতা ঐখোয়গী ইরমদম করি ওইগনি। ৱাহং কয়ানি। মরুপ মপাং উনবা, শান্নফম, থবক মফম, লৈকায়গী তিন্নবা অমদি সোসল প্লেটফোর্ম কয়াদা মীখলগী মরমদা ৱারী ৱাতাই তৌগনি। মানা-মানা পামজবা মীরেপ পোলিটিকেল পার্টি, সপোর্ট তৌদুনা ঙাঙগনি। অদুবু পূম্নমক অসিগী মরমদা সেলফিশ মোটিভ অমমমদি শোয়দনা লৈগনি। লোক সভা মীখল মাঙওইননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না চত্থরিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসি লোইশিন্নবা পান্বে অমা য়েংলকপা য়াই। মসিগীদমক খ্বাইদগী ইহান হানবা মথৌদি খৎনরিবা কাঙলূপ অনীমক নেগোসিএটিং টেবল অমদা পুরকপা হায়বসিনি। মসিগীদমক্তা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা অমবু বি জে পি মীরেপ ওইবা য়াবগী ওইথোকপা লৈব্রা?

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মখল মখা কয়াগী লাংতক্নবা অমসুং ষ্ট্রেস লৈবা য়াই। হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা মীপূম খুদিংমক মীখলদা থৱায় য়াওশিল্লকই। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা পূক্নিং লাংতক্নবা পোকহল্লি। মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী হৌরকফম ওইরিবা সূ লৌথোকপগী ৱাফম, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মঙক কনবা থৌওং, সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী মীচং মীখায় নায়বা লিচৎ পূম্নমক অসিনা তাকপদি সূ (য়ান-চে) শাংদোক্কদৌরিব্রা? মণিপুর শরুক অহুম থোক্না কায়বা য়াবগী ওইথোকপা লৈব্রা। মীখল মনুংদা তম্পাক লমদা মেসিভ কোম্বিং ওপরেসন চত্থবগী থৌরাং লৈব্রা? অসিগুম্বা ৱাহং কয়া অসিনা মীচম মীয়াম পোত্থাহন্দ্রে। অচৌবা মেন্টেল ষ্ট্রেস অমা ওইহল্লি। অকিবা ফাওরে। মীখল মনুং অমসুং মতুং মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম করি ওইগনি। ষ্ট্রেস অমগী মথংদা ষ্ট্রেস অমা লোইবা নাইদে। মীচম মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এশিংনা তূমিন্না লৈশিনবা মতৌ, মীয়ামগী ৱাখল্লোন খঙবা ৱাৎপা, কুকি এম এল এশিংগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ, কুকি মিলিটেন্টশিংগী লেপ্পা লৈতবা এটেক পূম্নমক অসিনা মেন্টেল টেন্সন অসুম অসুম হেনগৎহল্লি। মসিনি মীপূম খুদিংমক্কী হৌজিক ওইরিবা পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম।

হৌজিক ওইরিবা লমদম অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী সিচুএসন অসিদি এ আরনা লৈঙাক অসি পায়শিনবগা মান্নরে। তম্পাক লমগী অকোবদা খুন্দারিবা কুকিশিং অমসুং মীতৈশিংগী মরক্তা বফর জোন থমজিন্দুনা তোঙানবা কুকিলেন্দ অমা লৈহল্লে। এ আর অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা তৌরিবা মওং অসিদি পেন্নীংঙাই ওইদে। কুকিশিংনা মায়কৈ খুদিংদগী লেপ্পা লৈতনা মীতৈনা খুন্দারিবা মফমশিংদা নোংমৈ, বোম কাপশিল্লি। ড্রোনগী মতেংনা ষ্ট্রেটেজিক লোকেসন কয়াদা এটেক তৌই। কুকিশিংনা অফবা মখলগী খূৎলায় শীজিন্নদুনা মীতৈদা লান্দাবা লেপত্রি। অসিগুম্বা য়াম্না খুদোংথিনীংঙাই ওইবা সিচুএসন অসিদা মীতৈ খুল ঙাকপা ভোলন্টিয়রশিংনা লাইসেন্স গন শীজিন্নদুনা মশা ঙাকথোকচনবা নোংমৈ কাপ্পা মতমদা অথিংবা পীবতা নত্তনা তম্পাক লমদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থদুনা থিবা হুম্বা তৌরি। কুকিশিংনা মীতৈদা এটেক তৌবা মতমদা এ আরসু য়াওশিল্লব্রা হায়বগী ৱাহং কয়ামরুম হংনরি। কুকিশিংগী বঙ্করদা এ আরগা পূন্না লৈমিন্নবগী রিপোর্ট লৈখ্রে। কুকিশিংনা বেজ কেম্প শেম্বদনা করিসু হায়দবা অদুগা ঐখোয়গী ভোলন্টিয়রশিংনা নোংসুমদা কুকিশিংগী এটেকতগী ঙাকথোক্নবা বেজ কেম্প শেম্বা মতমদা এ আরনা অথিংবা পীরি। ফেব্রুৱারী ১৫দগী নুমিৎ মঙানি চূপ্পা শুগুনুদা লেপ্তুনা বোম কাপশিন্দুনা লান্দাবা মতমদা ষ্টেট ফোর্সনা কুকি লৈবা মফমদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থনবা হোৎনবদা এ আরনা অথিংবা পীখিবা থৌদোক লৈখ্রে। মোরেদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা স্পেসল কম্মান্দো য়ুনিটতা লান্দাবা মতমদা এ আরনা য়েংদুনা লৈথোকপা ঐখোয়না উখ্রে। এ আর অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী থৌওং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনদি ওইথোক্তে। মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ঐখোয় থাজবা লৈরিব্রা? মখোয়দা ভোট পীফম থোকপ্রা? ঐখোয়গী তুংগী লাইবক করি ওইগনি? ৱাহং কয়া অমা তম্পাক্কী ভোটরশিংগী থম্মোয়দা হংলি। অসিগুম্বা তম্বা ঙমদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সাসন অসিনা মীপূম খুদিংমক অচৌবা ষ্ট্রেস অমা মায়োক্নরি।

কুমজা ২০২০দগী মালেমগী ওইনা থেংনখিবা কোভিদ লায়চৎনা চহী অহুম অচৌবা শাফু পীখ্রবা মতুংদা মে ৩, ২০২৩দগী ঙসি ফাওবা কুকিশিংনা চত্থরকপা লাননা মরম ওইদুনা ঐখোয় খুদিংমক তংদু লৈতাদবা, পূক্নিং ৱাখল পোত্থাফম খঙদবা ষ্ট্রেসফুল লাইফ সিচুএসন অমদা হিংলি। মসিনসু লোইদ্রি ১৮-শুবা লোক সভা মীখলনা অমুক্কা হেন্না পূক্নিং লৈতাহল্লোইদৌরি। মীখল মতুংদা করি ওইগনি হায়বগী লাংতক্নবা কয়া অসিনা মেন্টেল টেন্সন অমা ওইরি। ঐখোয় খুদিংমক পূক্নিং ফাথরগা অমত্তা ওইনা মীখল থেংনবা তাই। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী এটিচ্যুদ ঐখোয়না খঙলে। মসি খঙনা ঐখোয় মীখল থেংনসি। অফবা, মতিং লৈবা, মমা লৈবাক্কী খনবা, মীচম মীয়াম্বু নুংশিবা, য়াইফনবা খনবা অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক থবক তৌবা ঙমগদবা মীহুৎ খনসি। অদুবু মীপাইনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমদি নোংমৈ, বোম মরাং কায়বা লমদম অসিদা ইলেক্সনগী ৱাহন্থোক লৈগদৌরিব্রা? ১৮-শুবা লোক সভা মীখল মতুংদা তংদু লৈতাবা ঈং-তপ্পা, নুংশি চান্নবা, মীওৎ-মীনৈ, মীহাৎ-মীপূন লৈতবা ইরমদম অমা ওইরসনু। ●

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৫

১) **“সধ্যাগী ঈশৈ : নুংশিবগী নুংশিবা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবা অসি কনানো?

২) **“এসিয়াগী অনৌবা ৱারীশিং”** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“মরূ হুনবা”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **“শজিবুগী লৈহাও”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৫) **“ননাক্তা লাক্কে খল্লিঙৈ**
অহিংসিসু অমুক ওইরক্কে
নঙগী মঙলান্দা য়াওরগে খল্লিঙৈ
অয়ূক্কী মঙালনা হাল্লক্কে।”
ঈশৈ মতেক অসি শক্নাইরবা ঈশৈ শৈরেংবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অমদি লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৫)
২) রাজকুমার গিরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,২,৪,৫)
৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৪,৫)
৫) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (৪,৫)
৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ - (১,২,৫)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮৪গী ৱিন্নর

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

লিটরেরি ক্যুইজ ৮৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪গী পাউখুম

১) **“নুংশি লমন”** (২০১৬) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা শ্রীসৌগাইজম কুলবিধু সিংহ, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা : ২০১৬।**

২) **“মেরা থাগী শনারৈ”** হায়না মিংথোনবা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অসি কনানা ইবনো? **:- অইবা - সোইবম একেন্দ্র, অহানবা ফোঙবা : দিসেম্বর ২০১৪।**

৩) **“নুংশিরবী পোক্নলমদম**
নথানুংদা হিংলিবা মহিংসিবু
করি মহিং কৌবগে?”
শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করম্বা শৈরেংনো?
:- অইবা - বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, লাইরিক্কী মমিং - তুরেল নঙদি, শৈরেংগী মমিং - খোল্লাং লমন, অহানবা ফোঙবা : ৩০ সেপ্টেম্বর ২০০৮।

৪) **“পূন্সিগী মহাও”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং করি কৌবগে? **:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা, অইবা - য়েংখোম নিলচন্দ্র, অহানবা ফোঙবা : ১২ মার্চ ২০১১ ইং, থাংজ।**

৫) **“দা. কমল : লাইফ এন্দ ভিজন”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা কনানা ট্রান্সলেট তৌবগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো ? **:- ইংগ্রাজি ট্রান্সলেসন - নোংমাইথেম ইবোহল সিংহ, ওরিজিনেল অইবা - লাইরেনলাকপম শরত, ওরিজিনেল লাইরিক্কী মমিং - ডা. কমল : পূন্সি অমসুং মঙলান, ফর্ষ্ট পব্লিশ : ওগষ্ট, ২০১৭।**

মাঙদা তারিবা লান লোইশিল্লু

(লৈঙাক্কী ঙাইহাক্কী পাউখুম্না লৈবাক মীয়াম অৱাবদা অৱাবা ওইরিবনি, ঙাঙথোকপা, তৌথোরকপনা ইকায়খুম্নবনি)

— মুতুম শান্তি —
(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

অতোপ্পা ৱাহৈ অমত্তা তানীংদ্রে মীয়াম্না, মীয়ামগী ইহুল খঙনা নথৌ পাঙথোকউ। মীতৈ মচাগী শীংলিদা চেল্লিবা ঈগী থৌনা কদায়দা লৈখ্রবগে? নৎত্রগনা ঐখোয়গী মীহুৎশিং ঈয়ান ওইখ্রবা ঙাক্তরা? মীতৈ মীয়াম্বু অসুক উশিত্তবসি নখোয়গী থম্মোয়দুবু খাঙবা ঙল্লিবরা? ঙসি লান মনুংদা ফল্লিবা ১২শুবা এসেমব্লিগী ৫শুবা মীফমগী হোলদা ফল্লিবা ফম্নাইবশিংগী মায়থোঙদা থম্মোয় শোকপগী মমি অমত্তা তাদে। ৱাখলগী মমিদি মায়থোঙদা তাবনি। লুচিংবশিংনা খন্ন-নৈনরিবা ৱাফম মীয়াম্না পেন্দ্রে। ঐদি অফবা তৌবা শাবা, নঙদি ফত্তবা তৌরম্মী, মানা অদু তৌরম্বনি, ঐনা অদুনি অদানি নৈনদুনা মতম মাঙহনবীগনু। হৌখ্রবা মতম অমুক হল্লক্লরোই খঙবীয়ু।

ইশাগী ইথৌ মশক খঙদবা ঐহাকসি খ্বাইদগী মতিক চাদবা জীবনি। ঐহাক ইশানা খঙসি। মতমগী মমল হায়বসি করিনো? মীওইবনা খ্বাইদগী মমল তাঙলবা সনা মকুপ-মকুপ্তগী, মতমগী মীকুপ অমগী মমলনা হেন্না তাঙবনি খন্থবীয়ু। ঐখোয়গী খুন্নাইদি মতম মাঙহনবদি পান্মুদে। সনা মকুপ্পা হেন্না ভেল্যু লৈবগী ৱাখলদা হিংলি, ইতাও তাওরি ৱাখল খন্থবা হৈত্রি। অদুনবু ব্রেন হেন্দিকেপ, কৈবু কৈওইবা ময়ামদা ফম্নাইবা ওইরুরো হায়বনি। মীরেপ ওইনা থোরকখিবশিংনা শেল হেন্না য়েন্নবা হোৎনখিবা, মীয়াম্না হরাউনা লৌখিবা মীকূপ অমখক্কী নুংঙাইখিবা নীংশিংসি। পূন্সিগী ঈচেলদা মমল য়ামখ্রবা মমলগী মীকুপ্তুনা ঙসিগী অশি-অনা, মীকপ-মীরাওখোলতনা পীক থনবা লমদম অমা ওইরক্লিবনি।

মীওইবগী থম্মোয় ৱাখল মীকূপ অমদা হোংবা য়াবনি। অফবা খোঙচৎকী লম্বীদা অওনবা পুরক্নবা মীয়াম্না হোৎনমিন্নরসি। চাইনানা মালেমদা অৱাংবা থাক্তা হিংলিবসি মখোয় লাই নত্তে, ঐখোয়গুম্বা মীওইবনি। চাওখৎপগী মওং-মতৌ কূপ্পা য়েংদুনা মখোয়দগী ঐখোয়না অহেনবা করি করম্বা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা য়াই। খুদিংমক অসি য়েংলগা থবক কন্না শূসি, ইমুংগী থৌদোক থোকপদা য়ূমথোঙগী চেবাউ পীবগী চৎনবী থাদোক্লসি। লৈকায়দা লৈরিবা অহলগী মতম ওইরক্লবা মীওই খরখক নত্তনা পাকথোক চাউথোকপা তোক্লসি। লমদমসি চাওখৎ মায়কৈদা মনীং হল্লিবসি চহী খুদিংগী লৈকায় খুদিংগী উমং লাই হরাওবা, মাইক্কী অহৌবা খোঞ্জেলনা অহিং অথেংবা ফাওবা লাংবা, য়াওশঙ থাবল চোংদুনা অহিং কয়া অমা লমতা থাদগী শজিবু থা ফাওবা চাকচা হৈজানবা থৌরম নীংশিংসি। মতমগী মমল খঙহৌদবা ঐখোয় ঙসিদি মীখা পোন্না হিংলি।

করপসনগী মহিক্কী মকোল শারে, মালেম পূম্বনা ঙাঙনরি, শক্ন শোন্নরি। ঐখোয়গী ইরমদম ঐখোয়না মাঙহল্লি। করপসন হায়বসি মীওই অনীখক্কী লীলানি। শেল পীরিবা অমদি লৌরিবা অনীগী কুম্মৌনি। অসিগুম্বা মহিক অনীখক্না মীয়ামগী পূন্সি, ইমা লৈবাক মরূ ফংনা মাঙহল্লিবনি। হন্দক লোক সভাগী ইলেক্সন লাকপসিদা করম থোক্লগবা মীয়ামগী ৱাখল। পীল্লবা মৈত্রবাকসিদা মীতৈ ফূরুপ্পা য়েলহৌমীনি কাউথোকপদি লানগনি। হায়বদি লৈমিন্নরিবা ফূরুপ কয়াবু মীতৈ ঐখোয়না লমজিং লমতাকপীগদবনি। মীতৈ ঐখোয়দি লমদমসিগী খ্বাইদগী মকোক থংনা লৈরিবনি। ইমুং অমগী খ্বাইদগী অহলনি, লুচিংবনি।

য়ূম পানবদা ইমুংগী অহলগী তুং ইনবনা নুংঙাইবা ইমুং অমা ওইরকই। অঙাং, অহল হায়বগী খেন্নবা থমসি। অহলশিংগী মফম চাউনা থমসি। হৌজিক্কী অঙাংশিং তুংদা অহল ওইরক্কনি। মথক মখা ওন্ননা পানবা য়ূম্বাল্লোনবু থকসি-খাসি নাইদবা ইমুং কৌই। অসিগুম্বা ইমুং মশীং য়ামখৎলক্লি। অঙাংনা য়ূম পানবা য়াদে হায়নবা লৈ। মখোয় ইমুংসিদি অঙাংনা য়ূম পানবনি। করিবু অফবা ওইগনি অসিগুম্বা মমি অসি মরূ ফংনা মূখৎলসি। ‘অহল মথীনা চফূ মেনবনি’ মীকূপ অমা কাউজনু নহাশা।

মীয়াম্না ঙসিদি পেন্দবগী খোল্লাও কয়া লাউরি। মীয়ামগী ইখূৎকী খূৎশা খুদোম্বীদা অমুবা মচু শংদুনা অপান্বা মীহুৎ খনখিবা নত্তে ঙসিগী মীহুৎশিং। শেলনা লৈখিবা মীহুৎশিংনি। ঙসিগী ওইরক্লিবা শক্তম অসি মীতৈ পোকপী ইমাগী অৱাবগী শক্লোন পুরবী ইমাগী তেংথাখোলনি। ইমানা ফিজেৎ ফিগাই শেক্তুনা, মশম-মনা ইফা ফারদুনা তেংথারিবসি মচা ওইবা ঐখোয়না ফত্তবগীনি।

তুংগী ৱাখলবু মঙম শান্না উবা ঙমদবা, তুংলমচৎকী করি ওইরক্কনি খন্থবিরমদ্রবা লুচিংবা কয়াগী ইতিহাসনি। মীয়াম্না ইশাগী মমল য়াল্লবা হক য়োম্থোক্তুনা খোঙচৎ অমগী খন্থহৌদবা মীকুপ অমনা থোকহনখিবা থৌদোক্লি। ঙসিগী মীরোন্না তুংগী ইচা ইশুশিংগী অফবা, অচুম্বা লম্বীগী য়ূস্ফম থোনবা হৌরসি। মীয়ামগী খোল্লাও ওইগদবা ৱাফম অমত্তং অইবীনা খুরুমজদুনা নীংশিংজরি মদুদি শেল লৌদনা, মতিক চাবা মীদা মীয়ামগী শক্তি শীন্নরসি হায়বা খোল্লাও অমগী মথৌ তারক্কনি। ইমা লৈবাকসি প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টরগী নত্তে মীয়ামগীনি। মখোয়না তৌনীংবা তৌবা য়াবা নত্তে। ঐখোয় মীয়াম্বু ইকায়খুম্নদবা ফম্নাইবশিংদি থকসি খাসি য়াওদবা জীবনি। থক-খা মফম মরাং খঙদবা মীওইশিংনা অরাংফম ওইনা থারুবদগী অশোয়বা খুন্নাই অমা ওইরক্লি।

লানগী লানবুং ওইরবা লমদমসিগী খ্বাইদগী লুরবা এসেমব্লি মীফমগী হোল মনুংদা নাখোক্তুনা তুল্লিবা এ সী অমগী এম এল এনি। এ সী অদুগী মীয়াম্না থাগৎলক্লবা মীহুৎ অমনি। মখোয়না ঙসি থোক্লিবা মীশি মীনাবু করিসু খন্দে হয়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। পাল্লিবা মীহুৎশিং অমুক হন্না মীরেপ ওইগে থোরক্লগনু। ইকায়বা খঙউ। চারিবা চাক্কী মহুত্তা করি চাদুনা হিংবগে? মীওইবনা চাক চারিবসি ৱাখল খন্থবা ঙম্নবা, পাঙ্গল লৌশিং লৈনবা চাবনি। মতম অমদা ঐখোয়গী মন্ত্রি অমনা স্পিকরগী চৌত্রিদ্দা মপান থোকচিনখিবা মালেম শিন্তুংলি। মালেমগী পাউচে পূম্নমক্তা ফোটোনা পুমচাই চাইখি। মীয়াম ৱাখল তামিন্নরসি। ঐখোয়সি হিংলিবা হায়বদুনি, অশিবগা পাঙ্খাক ওইরবনি।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দা চুড়াচান্দপুরদগী হৌরকখিবা ঐতিহাসিক ওইগদৌরিবা ৱারী মতেক অমত্তং ইজরি। থম্মোয় শোক্লবা থৌদোকসিদা চীংয়াগী অকোয়বদা তারিবা খুঞ্জাশিং অমদি মফম কয়াদা লাঞ্জেন্নরিবা খুঞ্জা কয়াগা উনরুবদা থেংনজরকপা অশেংবা পাউদম্নি। মে ৩গী নুমিদাংদা চুড়াচান্দপুরগী মীতৈ তারিবা লৈকায় খরা- খুমুজাম্বা লৈকায়, থাঙ্গ লৈরক, ফাইলেন্দ, জৌভেঙ, সাইকোট, থিংকাংফাই, লৈত্রাম, খুগা তম্পাক অসিনচিংবা মফমশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপা, য়ূম মৈ থাবা হৌরকপদা মীতৈ পূম্নমক ঐখোয়গী থৱায়দদি কনবীয়ু হায়না চেন্নরকখি। চুড়াচান্দপুর দোন বোস্কো স্কুলদা চেনশিনখি। মীয়ামদুনা অসাম রাইফলশিংদা ঐখোয়বু কনবীয়ু হায়জখি। অসাম রাইফলশিংনা অসুম্না খুল্লকখি - হাও কল্লুচো লাকপনি, মীতৈ কল্লু লাকপা নত্তে।

হিংনবা চেল্লকপদা মী শিবসু য়াওই হায়রি। নুমিত্তুদা লুহোংবা (মীতৈ) অমা য়াওই। নুপীনা চুড়াচান্দপুরগীনি, নুপানা চুড়াচান্দপুরগী মথক মোইরাং মায়কৈদগী ওইগনি হায়রি। নুমিৎতুগী নুংথিল লুহোংবগী বর লাকপদু কুকিনা থিংদুনা চঙহনখিদে। ঙাইহাক লৈরবা তুংদা লানসি হৌরকখি। লুহোংগদৌরিবী কৈন্যা অদু পোৎলোই শেৎলগা লাঞ্জেন্নখি। মে ৩গী অহিংদু দোন বোস্কো স্কুলদা য়ারেক্লগা মে ৩দা ৩৬ এ আর বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর সী সী পুরনা অয়ূক্কী পুং ৬.৩০দা লৌবা লাকখি। ওল্ড সী সী পুরদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন মপাদা য়াল্লবা কুকি মীয়াম্না মীতৈ থিনবা য়ারোই হায়না থিংদুনা থমখি। এ আরগী গাড়ীশিং অদু কুকিশিংগী মরক্তা থৌজিন্দুনা পুং ৪ মুক লৈখি। মতমদুদা মীতৈশিং হিংগনি হায়বসি খনখিদ্রে। এ আর কেম্পতা মীতৈশিং লৈরে। মতমদুদা মীতৈগী মোবাইল ফোন লোইনা কুকিশিংনা লৌশিনখি। লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈশিংগী মরক্তগী মচানুপা অমা অতোপ্পা ষ্টেট অমদা সেন্ট্রেল ফোর্সতা থবক পুবা অমনা নাগালেন্দ সেক্টর/কম্মান্দরদা কন্না হায়জবদগী এ আরশিংনা পীথোরকখিবনি হায়রি।

নুমিৎ নীনি মফমদুদা লৈখি, চাক পীজখিদে। ঈশিং দ্রোপ অমসু পীথকখিদে। কেম্প মনুংদা পূখ্রি মচা অমা লৈ। লাঞ্জেন্নরকপা মীতৈ নুপা অমনা ঈশিং থৌরাংবদগী ঈশিং থক্কে চৎলুবদা কেম্প অদুদা থবক তৌবা কুকি নুপী অমনা য়াম্না তমথীনা ফূবীখি হায়না পাউদল্লকখি। মাংদা তারিবা লান অসি লোইশিনবনা অহানবা খোঙথাংনি। মীতৈ ঐখোয় মতম খুদিংমক্তা চেকশিনসি। কুকিনা তাল্লিবা লমগী পাক চাউবা চাদা ৭১নি।

সূগী মতাংদা ৱাফম খরা খঙমিন্নসি। কুমজা ২০০৫গী ওগষ্ট ১দা সেন্ট্রেল গর্ভর্ণমেন্ট অমদি কুকি লূপ ২৫গা সাইন তৌখিবনি। কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দনা মণিপুর গর্ভর্ণমেন্ট য়াওনা সাইন তৌখি। মতমদুদা পানখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না হেক খঙবগা লৈবাক মীয়ামদা নোটিস থোক্তুনা খঙহল্লমদবা করিগীনো? লৈঙাক্কী আর আরদা য়াওরিবা করিগুম্বা লৈবাক্কী অরুবা তানফম ওর্দর অমা থোক্লে হায়রবদি থা ৩গী মমাঙদা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। অসুম্না ময়েক শেংনা ইরিবদু খঙদব্রা? নৎত্রগা মণিপুরগী মীয়াম অসি ঙাচক ওইনা উব্রা? নৎত্রগনা ওফিসল ওইবা ৱারোল অদুপাবা হৈত্রব্রা? মীয়াম খঙবীয়ু। সূ অসিদসু নত্তনা এনি ট্রাইব লমদমসিগী হৌরকমীনি হায়না কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৩দা গেজেট নোটিফিকেসন অমসু থোক্লল্লে।

নেসনল পার্টি কোংগ্রেস অমদি বি জে পিনা লমদমসি মরূ ফংনা মূখৎনবা মীয়াম খঙহন্দনা মনুংদা ওর্দর কয়া থোক্লম্বনা মীয়ামদা অৱাবা তাহনবনি। ঐখোয় মীয়াম মচি মচিদা ফমদুনা লাউদুনা লৈবনা থা কয়া হৌখ্রে। কনানা তাবীরি। মীয়াম লোদা চঙনবা শেম শারসি। মীয়ামগী শক্তি খঙহল্লসি। কৈসু কি মথিসু কিবগী ৱাখল লৌথোকখ্রো। মীতৈগী মরুম থুপ্তুনা হিংলিবা ফূরুপশিং পূনশিন্দুনা ইমা লৈবাক কলহৌরসি। ঐখোয় হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা অতোপ্পা ৱারী নৈনরুবদা কান্নবা সোল্যুসন পুরকপা ঙমদ্রি। হৌরকপদি ৱাখল য়াম্না লুবনি। লোইশিনবদি লায়বনি ৱাহৈ পরেং অমখক্তনি। চৎনরিবা আইন, চৎন কাঙলোন মীওইবনা শেম্বনি।

ইমা লৈবাক কংলৈপাক্তা হৌরকঙৈদগী শাগোন্নরক্লবা মীতৈ ঐখোয়বু অসুম্না হিংবা হৌনব্রা। মীতৈগী থৌনা ৱাখল লৌশিং কদায়দা মাঙখ্রে। মীহাৎ মীপূনগী মৈশা অসিদা ফল্লিবা মীফমসিগী শক্তমগা লান লোইশিনবা ঙমগনি থাজরিব্রা? মীতৈ মীয়ামগী অপূনবা লূপ অমখক থল্লবদি মালেমগী মীয়াম্না মীতৈ ঐখোয়বু ইকায় খুম্নরোইদ্রা? সিক্কিমদি কুমজা ১৯৭৫দা ইন্দিয়াদা তিনখি। অদুবু মখোয়গী লৈঙাক্তদি নেসনল পার্টি অমত্তা চঙহনখিদে। ঐখোয়গীদি নেসনল পার্টি ২২ লৈ। কয়াদা খেন্নখ্রবা। ঐখোয় মীতৈসি ঙাঙবদদি শিংবা মাল্লি, থবক ওইনা তৌথোরকপদদি শিংবা ৱাৎলি। ৱাফমসি লাইরিক হৈতবা লাইগী লিক্লম খঙদবা শম্না হায়রবদা লাইরিক য়াম্না পাদবা মীওইশিংদা লুচিংবা ওইহল্লুবগী ফংজবনি ঐখোয় মীয়াম্না। লাল্লিবদি ঐখোয়নি। অমরোমদা লমদমসিগী মীয়ামগী থৱায় য়াওদ্রবা ফুটবোল ওইনা উবিরব্রা? মীয়ামদি থৱায় পানবনি ফুটবোলগুম খোঙনা কাউবা য়াদবনি। ফুটবোলগা মীয়ামগা চাংদম্নবীগনু। মীনুংশিগী থম্মোয় পাল্লু। শিরিবা ইচা ময়ামসি নচামক্লি খনবা তম্মু, থৌনা লাক্কনি মতমদুদা। ইশামক্তি লান হেক হৌরকখিবদগী মিংশেল য়েংনীংদে, শমচেৎ হাৎনীংদে। অশিবগী থৌদোক্তি চৎলি, অতোপ্পা থৌদোক্তি অমত্তা চৎচদে। ঐখোয় ঙা চাবা য়াদে, ইচা শিরিবা ফূরুপনি। শিরিবা ইচাশিং অসি ইমা লৈবাক্কী লাম্থেংনবদা শিবনি। ঐখোয়গী শরুক য়াওদে হায়বা য়াদে। ঐনা পোকপা খক্না ইচা নত্তে, মালেমগী ইচাশিং পূম্নমক্কী মমা ওইরসি।

লমদমসিগী গ্রেজুএসন লোইরবা মহৈরোয়শিংগী য়াইফরবা পাউজেল অমা ইচাশিংগীদমক পুজরক্লিবা পাউজেল অসি কূপ্পা পাবীনবা নীংশিজরি। মীওইবা ঐখোয়না হিংবগী খোঙচৎ য়াম্না লুবনি। হিংবগী লানফমদা মায় পাকপা মীশক অমমম ওইনবা লম্বী অমা শেমজবগী ইথৌদাংদি ইশানা হোৎনজগদবনি। ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী যোগগী ক্লাস হাপ্পকপগা ইরোইননা যোগগী ওজা ওইবা য়ানবা ট্রেনিং তৌজরি। ট্রেনিং অসি চহী অনীগী কোর্সনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওজা লৌনবা কৌরকপা তারবদি তম্বা লোইদুনা সর্টিফিকেট পায়হৌদ্রবদি ইন্টরভিয়ু য়াওবা য়ারোই। মরম অদুনা গ্রেজুএসন লোইরবা মহৈরোয়শিংনা অথুবা মতমদা ইন্সটিট্যুট অসিদা চৎপীদুনা অকূপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

মফম :- উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়, ইম্ফাল, মণিপুর।
মমিং :- যোগ ফিজিক ইন্সটিট্যুট এন্দ ষ্টদিজ, মণিপুর।

মথক্তা ইজরিবা ৱাফমসিনা B.Ed ট্রেনিং তৌবগা চপ মান্নরে। যোগগী টু য়্যরসকী সর্টিফিকেট অসিনা ওজা ওইবা য়ারে। এম য়ুনা পীবা সর্টিফিকেটনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।